# এক্ট্রেস এন্দ দিরেক্টর Natalie Portman

*- নানি*



মশাগী চহী ৩৫শুরবী এক্ট্রেস Natalie Portman অনীরকশুবা ওইনা ইন্দিভি-জুএল স্পিরিট এৱার্দ অমদি একাদেমি এৱার্দ ফংবগী থৌরম কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারী ২৬তা য়েন্থোকখিবদা মহাক প্রেগনেন্সিনা মরম ওইদুনা য়াওবা ঙমখিদে। মসিগী মমাঙদা এক্ট্রেস অসি নোমিনেসন অহুম্লক ফংবগী মনুংদা কুমজা ২০১১দা Darren Ballerina গী **Black Sawn** হায়বা ফিল্ম অদুদা এৱার্দ ওন্থোকপা ঙমখিবনি। কুম অসিসু মহাক্কী মচানুপা অহানবা ফংবা চহীসু ওইখি। এৱার্দ অসি ফংবা মতমদা মমিং লৈরবা ক্রিটিক Kurt Loder না ইখি -"Portman gives one of her most compelling performances in this film, which is saying something." চহী অসিগীদমক খনগদবা একাদেমি এৱার্দ বেষ্ট এক্ট্রেস কেটেগোরিদা Pablo Larrains গী Jackie হায়বা কুমজা ১৯৬০দা অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট John F.Kennedy গী লোয়নবী Jacquiline Kennedy গী রোলদা মহাকপু নোমিনী ওইনা খনখিবনি। ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৬তা রিলিজ তৌরখিবনি। ফিল্ম অসিদা এক্ট্রেস Natalie Portman না মমাঙদা Critics' Choice Award অমদি Golden Globe, Screen Actors' Guild Award, Independent Spirit Award and a BAFTA gi best actress কীদমক নোমিনী ওইনসু খনখিবনি।

অমেরিকা অমদি ইজরেলগী সিটিজন অমা ওইরিবা হোল্লিৱুদকী মমিং লৈরবী এক্ট্রেস অমদি দিরেক্টর অমসু ওইরিবী গোল্ডন গ্লোব অমদি একাদেমি এৱার্দ ফংলবী Natalie Portman ইজরেলগী জেরুসালেমদা কুমজা ১৯৮১গী জুন ৯দা পোকখি। অপোকপা মপানা ইজরেল্লিনি অদুগা অপোকপীনা অমেরিকাননি। সাইকোলোজিগী মহৈরোয় অমা ওইনা ফিল্ম কুম্বা হৌরকখিবনি। Natalie থিএটরগী এক্ট্রেস অমা ওইনসু মমিং লৈরকখি। ন্যু য়োর্ককী পব্লিক থিএটরদা য়াওদুনা Anton Chekhov কী **The Seagull** হায়বা প্লে অদুদা মায় পাক্লা কুম্লকখি।

তশেংবদি Natalie Portman Stars Wars film দা খম থেংনা মহাক্কী মমিং চৎপা হায়বদু ওইখি। হবার্দ য়ুনিভর্সিটিদগী সাইকোলোজিদা বেচেলর দিগ্রী ফংখি। 1993 Leon : The Professional হায়বা ফিল্ম অসিদা ইহান হানবা ওইনা ফিল্মদা খোঙদারকখিবনি। ষ্টার ৱারস কুম্লবা মতুংদা মহাক চহী মরি ফিল্ম কুম্বা লেপ্তুনা মহাক্কী মহৈ তম্বগী লম্বীদা পূক্লিং লুপশিনখি। কুমজা ২০০৪দা অমুক হন্না স্ক্রীনদা **গার্দেন ষ্টেট** অমদি **ক্লোজর** হায়বা অসিদা থোরকপা হৌখি। কুমজা ২০০৮দা খ্বাইদগী নহা ওইনা কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলগী জুরি মেম্বর ওইখি। কুমজা ২০০৯দদি মহাক ফিল্ম মেকিংলোমদা অমুক মায় লৈশিল্লকখি। চহী অসিমক্তদা মহাক্কী ফিল্ম **Brother** হায়বা অসি নমখি। সিগী মতুংদা কুমজা ২০১০দা **Eve** হায়বা ফিল্ম অসি পুথোকখি লোয়নমা Venice Film Festival দা শরুক য়াখি। চহী অসিমক্তদা মহাক্কী ফিল্ম ব্লেক স্বান হায়বা অসিদা বেষ্ট এক্ট্রেস কেটেগোরিদা গোল্ডন গ্লোব অমদি একাদেমি এৱার্দ ফংখি।

American folk singer Devendra Banhart কৌবা অমগা নুংশি মরী লৈনরম্মী অদুবু কুমজা ২০০৮দগীদি কায়নখি। কুমজা ২০০৯দা **ব্লেক স্বান** হায়বা ফিল্ম অসি নম্বদা ফিল্ম অসিগী দান্সর অমদি কোরিওগ্রাফর ওইখিবা Benjamin Millepied হায়বা ballet dancer অমগা নুংশি মরী অমুক লৈনরক্তুনা কুমজা ২০১০দা য়ূম্বান লম্বীদা চঙমিন্নখি। লোয়ননা কুমজা ২০১১দা মচানুপা অমা ফংখি। মমায়দা অমুবা শমব্রু অমা থুংবী মশা পারপ তৌবী য়েংবদা চুং ফিরাল চাবী এক্ট্রেস অসিগী অঙকপা তম্বদা থাজদবা ৱারী অমনা মহাক অসি pure vegetarian নি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈ মশাগী চহী ৮শুরকপদগী হৌনা এনিমেলশিংবু য়াম্না লুনা তৌজৈ। মতম অদুমক্তদা মহাক্কী মপাগা লোয়ননা মেদিকেল কনফরেন্স অমা য়াওরুবদগী অঙাং ওইরিবা মঙোন্দা অনৌবা ৱাখল অমা খনবা হৌখি। লোয়ননা Jonathan Safran Foer গী লাইরিক ইটিং এনিমেলস হায়বদু পারুবদগী হৌনা শা চাদবগী ৱারেপ লৌখি। হৌজিক ফাওবদা মহাক শা চাদে। অদুগী মথক্তা শা মতু য়াওবা ফিরোল অমদি লেদরগী খোঙউপ, পেটিনচিংবা অমত্তা মহাক শীজিন্নদে। তশেংনমক পোর্টমেন অসি মীওইবদা নত্তনা থৱায় পানবা পূম্নমকপু তশেংনা নুংশিবা মদুগী ঙাক শেন্নবগীদমক





মশামক এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা চোঙথোরকপা এক্টর অমনি। কুমজা ২০১১গী অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওবামাগী রি-ইলেক্সন কেম্পেয়নদা মরুওইবা শরুক য়াখিবা এক্টর অসি “Free the children” হায়বা নুপীমচাশিংবু মহৈ মশীন নীংথিনা তমহনবা অমদি মখোয়গী য়াইফনবগীদমক পায়খৎপা স্কিম অমগী এম্বেসেদর ওইখি।

পোর্টমেন মশানা দিরেক্টর ওইনা অহানবা ওইনা থোরকখিবসি কুমজা ২০১৩দনি। মমিং লৈরবা ইজরেলগী অইবা Amos Oz গী ওটোবাইওগ্রাফিকেল নোবেল **A Tale of Love and Darkness** হায়বা অসিদগী ফিল্ম ওইনা এদাপটেসন মশামক য়াওনা তৌরগা ফিল্ম অসিদা মশামকসু ষ্টার ওইনা কুমদুনা পুথোকখি। ফিল্ম অসি কুমজা ২০১৫দা ইহান হানবা ওইনা কেন্স ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা প্রেমিয়র উৎখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি মহাক দিরেক্টর অমা ওইবতা নত্তনা প্রদ্যুসর অমসুনি। কুমজা ২০১১দা **No Strings attached** হায়বা ফিল্ম অসি মহাক্লা কো-প্রদ্যুসর অমা ওইনা পুথোকখিবনি। কুমজা ২০১০দা মহাক্লা Kenneth Branagh গী মমিং লৈরবা ফিল্ম Thor:The Dark World হায়বা অসিদা Jane Foster হায়বা রোল অসিদা James Franco অমদি Danny McBride কী ওপোজিটতা কুমখি। ফিল্ম অসি লোইশিল্লমদাইদা প্রদ্যুসরগী অৱাবা অমদগী ফিল্ম লোইশিনবা ঙমদ্রবদা মহাক্লা অচঙবা শেনফম লোইনা পুথোক্তুনা কো-প্রদ্যুসর অমা ওইনা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৬তা ফিল্ম অসি রিলিজ তৌখি। ফিল্ম অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্না হৌজিকসু য়েংনরিবা ফিল্ম অমনি।

অহানবা ওস্কার এৱার্দ ফংখিবা Darren Aronofsky গী ফিল্ম **ব্লেক স্বান** হায়বা অসিগীদমক মহাক নোংমদা পুং ৫দগী ৮ ফাওবা দেলিগী ওইনা থা তরুক দান্স প্রেক্টিস তৌখি। অদুমক্লা মহাক মায় পাকখিবনি হায়না হায়নখি। হোৎনবা য়াম্না কল্লি, তৌগে খনবা থবক্তা নিংহন্নবা লৈখিদে। ফিল্ম অসিদা ওস্কারদা ফিমেল এক্টর অমনা লিদিং রোল লৌদুনা আউটষ্টেন্দিং পার্ফোমেন্স পীবদা অখন্নবা পীবা স্ক্রীন এক্টর গীল্ড ফংবা ঙমখি। লোয়ননা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দসু ফংবা ঙমখিবনি। হায়রিবা এৱার্দশিং অসি এক্টর অমগী পুন্সিদা য়াম্না তাঙনা ফংবা এৱার্দ ঙাক্তনি। পোর্টমেননা হায়বা অমা লৈ- ***“I don't love studying. I hate studying. I like learning. Learning is beautiful. Smart women love smart men more than smart men love smart women”*** মহৈ তন্নিবনি হায়দুনা পংলৈদা লৈথোকপসি মহাক্তি পামদে। মানা পাম্বদি চপ চানা খঙননবা তম্বদুনি। পোর্টমেন মতুং তারকপা পুন্সিদা মীয়ামগীদমক অফবা থবক কয়া তৌখিনি হায়না থাজৈ। মহাক্কী মতৌ অসি লমদম অসিগী এক্টরশিংনসু তমহন্নীংই।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ৩০।০৬।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং, অয়ুক্কী পুং ৬.১২ ফাওবা ইঙাগী ২৭ নি পাল্লি, মতুং ২৮ নি পানগনি।**

মেষ : ইচং থৌবগী কান্নবা, নচা-নাইগী লমদা পেঞ্জবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি য়েক্লা তিংখং লৈতবা ওইগনি। আশাওবনা মাঙজবা লৈগনি-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : হরাউবা-নুংঙাইবা, নক্লবা মীশিং লোইনবগী নুংঙাইবা, নীংজবা থুংবা অমদি ইকায়খুম্নবীবা ফংগনি। থবক্কী য়েৎনগনি, অফা-অপুনগী থবক য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মীতোপ থাজদবা অমদি খাংবা কনবনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। ৱাখল তানবা ৱাৎপনা য়েক্লবা চাওখৎকনি, অফবা খরসু ফংগনি। মমৈদা হরাউবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপনা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : মায় পাক্কনি, মীচং হেনগৎপা অমদি ওইজ-ওইথক তানবদা মায় পাকপা লৈগনি। অদুবু নরল কাইবা য়াই, লমদা মাঙগনি অমদি নথন্তা ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - খন্থদ্রদি কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : হকচাং নুংঙাই অদুনা থৌয়াম য়াম্না পাংবা ঙমগনি অমদি মীকোক থোংগনি। মীয়াম্না ইকায়খুম্নবীগনি। খাংবদি কল্লু অমদি মরুপ শাবশিংদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : ফংবা য়াবা পনগনি অদুনা চরাংনবা তৌগনু অমদি য়েক্লবনা মরুপ-মপাং কাইননবা হোৎনবা লেপ্তে। নথক থোংবগী ৱা তাবা কান্নগনি-লন চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : লৌশিং চাওখৎপা অমদি হকচাং নুংঙাইবা লৈগনি। ফত্তবা থবক তৌনিংবা পোক্কনি অদুনা অফবা মরুপ লোইনবা ফগনি। নাপল তৌরদি য়েংথিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা লৈগনি। ৱানোম থৌনোমগী কান্নবা ফংগনি অমদি মীয়াম্না চানগনি। মৈনদি তাথি অমদি নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

ধনু : নীংবা থুংগনি, অরং অরাক ফংবা অমদি পন্দুনা লৈরুবা থবক পাংবা ঙন্বা নুমিৎনি। ঙাঙবা-শকপদা মীয়াম্না থাগৎপিগনি। হৈ, শাগৈ অমদি তিন্নবনা মাঙহল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা খরদি লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

মকর : অরাল-অহুই তৌদবনা নুংঙাইবা অমদি লন চাওখৎপা লৈগনি। নঙগী ওইবা মীশিংনা চানগনি। পাউ নুংঙাইবদি তাগনি। মীয়াম্না য়ানবা চৎপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : মরুপ-মপাং লোইনবা নুংঙাইবা ফংগনি, অঙম-অথৌনা চানগনি অমদি মীমাং থোকপদা মায় পাক্কনি। ইমুং-মনুংদি ঈংবা ৱাৎলি, মীতোপ্পা য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম :লৈ অঙাংবা।

মিন : হোয়া ফবগী কান্নবা ফংগনি অমদি অনীংবা পাংবা য়াগনি। অদুবু হন্থবা লোয়নবনা অমদি ৱাঙাঙ হৈতবনা নুংশাথিবা অমদি মীনা উশিত্তবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা অমদি ফিংবা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



# INDIAN NAVY

A N  O C E A N  O F  O P P O R T U N I T I E S

*Indian Navy invites online applications from unmarried male candidates (who fulfill eligibility conditions as laid down by the Government of India) for enrolment as Sailor for entries given below:-*



Scan this QR Code to apply online



| S.No. | Entry | Age | Education Qualification | Pay Structure |
|---|---|---|---|---|
| (i) | Artificer Apprentice (AA) | Born Between 01 Feb 2000 to 31 Jan 2003 (Both dates inclusive) | Must have passed 10+2 examination with 60% or more marks in aggregate with Maths and Physics & atleast one of these subjects :- Chemistry/Biology/Computer Science from educational boards recognized by MHRD, Govt of India | After successful completion of training, will be placed in level 3 of Defence pay Matrix (Rs.21,700/- to 69,100/-) & MSP @ RS.5200/- per month plus DA (as applicable) |
| (ii) | Senior Secondary Recruit (SSR) | | Must have passed 10+2 examination with Maths and Physics & atleast one of these subjects :- Chemistry/Biology/Computer Science from educational boards recognized by MHRD, Govt of India | |

**Note:** Artificer Apprentice will be additionally admissible for 'X' Group Pay @ Rs.6200/- per month plus DA (as applicable).

**ONLINE APPLICATION FOR SAILOR'S ENTRIES WILL BE OPEN UNTIL 10 JULY 2019**

**Note:** (i) Identity proof is mandatory for online registration
(ii) Please read the instructions given in the website carefully before submitting your “e – Application”.
For details visit www.joinindiannavy.gov.in & Employment News dated 29 June 2019.

davp 10701/11/0015/1920